**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 4-06-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ৪-০৬-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**---অকাশবানি ইম্ফাল মাইবম দ্বিজমনিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং অয়ুক পুং ৮ দগী থীরগনি।

২)ইম্ফাল ৱেষ্ট , ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল য়াওনা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা ভোট মশিং থীগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা গাড়িশিংগী চৎথোক চৎশিনগা মরী লৈননা অহোংবা লৈরে।

**অমসুং**

৩) লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল থেংনখিবা মীরেপশিংগী মরাইবক ঙসি লেপ্লগনি।

**--ট্যুন--**

**ভোট (এল)ঃ** ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং অয়ুক পুং ৮ দগী থীরগনি। পুন্না সিট ৫৪৩ লৈবা লোক সভা সিটশিং অসিদা মীখল থেংনখিবা মীরেপশিংগী মরাইবক ঙসি খঙলগনি। লোয়ননা লৈবাক অসিদা ইন্দিয়া এলাইএন্স অমদি এন.দি.এগী মরক্তা করম্বনা সরকার পায়গদগে হায়বসু ঙসি অদুমক খঙবা ঙম্লগনি।

ভোট মশিং থীনবগীদমক শেম শাবা পুমমক লোইরে। ভোট মশিং থীবগী ফল ইলেক্সন কম্মীসনগী ৱেব সাইট - -রিজল্টস দোট ই.সি.আই দোট জি.ও.ভি. দোট আই.এন দগী নত্রগা ভোতর হেল্প লাইন এপপতগী ফংগনি। মনিপুরগী ওইনা ইন্নর অমসুং আউতর লোক সভা অনিমক্কী ভোট মশিং হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং পুং ৮ দগী থীবা হৌগ
নি। লোক সভা সিট অনিমক্কী মীখলগী ফল নুমিৎ য়ুংবা মমাং ফাওবদা ফংলবা য়াই হায়না পারি।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, চান্দেল, উখ্রুল, সেনাপতি, কাংপোকপী, তমেংলোং, চুরাচান্দপুর অমসুং জিরিবামগী পুন্না দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস ১১ দা কাউন্টিং সেন্টর ২৪ হাংদোক্লুনা ভোট মশিং থিগনি। ভোট মশিং থিগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অহোংবা খরা লৈগনি হায়না জিলা জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা খঙহল্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সতা ভোট মশিং থীগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা গাড়ি চৎথোক চৎশিন্দা অহোংবা খরা লৈরে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা- নাওরেমথোং লাইশ্রম লৈরক্তগী দি.সি.ওফি কমপ্লেক্স ফাওবগী লন্বী ভোট মশিং থীবা লোইদ্রিবা ফাওবা অথিংবা থল্লে। লাঙ্গোল গেম ভিলেজ অমসুং উরিপোক কাংচুপ রোদতা লাকপা গাড়িশিং চিঙাংবম লৈরক লোমদা চৎকনি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সগী কাউন্তিং সেন্তরদা ঐখোয়গী পাউমী রাজকুমরি মঙালসনা - মঙালসনা- হৌজিক ভোট থীফমদা শেম শারিবগী মতাংদা ৱাফম খরা থন্বীয়ু ।

## --মঙালসনা --

থৌবাল জিলাগী ওইনা ইম্ফাল লোমদগী ককচিং তমা লাকপা গাড়িশিং নেপ্রা চরাংপাৎ লোমদা লাল্লুগা ৱাংবল হয়েন লবুক পালিগী লম্বী রোমদা চৎকনি। খাঙবোক লোমদগী হায়গৎলকপা গাড়িশিংবুনা নেপ্রা কম্পনি লম্বীদা লাল্লুগা চরাংপাৎ নেপ্রা জংসন ফাওদুনা য়াইরিপোক লমখায় রোমদা চৎকনি। খোংজোংম রোমদগী ইম্ফাল তমা হায়গৎলকপা গাড়িশিংনা ৱাংবমল হয়েন লবুক পালি রোমদা লাল্লুগা য়ারিপোক লমখায় তাবগী লম্বী রোমদা চৎকনি ।

ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা -পোরোম্পাৎ ক্রোসিংদগী দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্স লোমদা লাকপা গাড়িশিং জেনিমস রোদ অমদি অয়াংপালি রোদ লোমদা চৎকনি। কোংপাল ইরানফম থোংদগী দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্স লোমদা লাকপা গাড়িশিং কোংখাম লৈকায় অমদি ক্ষেত্রি লৈকায়গী লম্বীদা চৎকনি। একাত্রেন ক্রোসিংদগী দি.সি.ওফিস কমপ্লেক্স লোমদা লাকপা গাড়িশিং টি.ভি. টৱার রোদ লোমদা চৎকনি।

থৌবাল জিলাগী দি.সি ওফিস কমপ্লেক্সগী কাউন্তিং সেন্তরদা লৈরিবা ঐখোয়গী থৌবাল পাউমীদগী পাউদম অমা -

## --সাউন্দ বিনোই--

জিরিবাম জিলাদসু আউর মনিপুর লোক সভা কেন্দ্রগী ভোট মশিং হৌজিক অয়ুক পুং ৮ দগী থীনবা শেম শাবা লোইরে। ভোট মশিং জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মীস্নরগী ওফিসতা অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা তেবল ৭ তা থীগনি। তেবল খুদিংমক্তা কাউন্তিং সুপরভাইজর , কাউন্তিং এসিস্তেন্ত অমদি মাইক্রো ওবজার্বর অমমম পুন্না মীওই অহুমনা শাবা টিম অমনা য়েংশিনগনি।

ভোট মশিং থীগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ-পাউ কাংবুনা মীয়ামদা মপুং ফাবা পাউ পীননবা অখন্নবা থৌরাংশিং লৌখৎলে। ঙসি অয়ুক পুং ৮:৩০ দগী ৮:৪৫ ফাওবা মিনিত ১৫ গী পাউ

লৈগনি। অয়ুক পুং ১১:২০ দগী নুমিৎ য়ুংবা ফাওবা মিনিত ৪০ গী ওইবা খন্না নৈনবগী থৌরম অমা শন্দোক্কনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াগনি। নুমিৎ য়ুংবা মতুং ১:৫০ দগী পুং ২ ফাওবা মিনিত ১০ গী মনিপুরি পাউ লৈগনি। মীখলগী ফলগা মরী লৈননা নুমিদাংৱাইরম পুং ৬:২০ দগী পুং ৭ ফাওবা মিনিত ৪০ গী খন্না নৈনবগী থৌরম শন্দোক্কনি। ভোট মশিং থীবগী য়েংলগা নুমিদাং পুং ৭:৩০ গী পাউ অখন্ননা মিনিত ৩০ দা শাংদোক্লে।

**অমুকো(এল)ঃ** ওল মনিপুর য়ুনাইতেদ ক্লব ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না হায়রি - ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবা মীয়ামা শীজিনগদবা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা ঈশিং ফংহন্নবা মরী লৈনবা বিভাগনা হোৎনবা মথৌ তাই । লুপ অসিগী চেরোল অমনা হায়- হেলত বিভাগকী মেদিকেল টিম অমসু ঈচাউনা অৱাবা তাহল্লবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা অনা লায়েং চথবগী তঙাই ফদবা লৈ।

লুপ অসিনসু রাজ্য অসিদা ঈচাউনা মরম ওইদুনা অৱা অনা তারবা মীওই কয়াদা মতেং পাংবগী থবক চথরি । ঈচাউ অসিনা শোকহল্লবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংগীদমক চানা থকবা পোৎলমশিং লেপ্তুনা মতেং পাংলি। নম্বোল লাইতোনজম অমদি লাইতোনজম খোরি লৈকায়গী ঈচাউনা শোকহল্লবা মীয়াম, নম্বোল অৱাং লৈকায় য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা মতেং পাংবগী থবক চথরি।

**---তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**কাউন্তিং ঃ** লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল থেংনখিবা মীরেপশিংগী মরাইবক ঙসি লেপ্লগনি।

অহানবা পোস্তেল বেলোট মশিং থীরবা মতুং ই.ভি.এমগী ভোটশিং থীগনি। লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থীবগা লোয়ননা অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং ওরিষা বিধান সভা কেন্দ্রশিং অমদি মরক্কী মীখলগী ভোটসু ঙসি থীগনি। পনবা য়াই -১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট এপ্রিল ১৯ দগী হৌরগা তাঙ্কক ৭ থোকা তা অসিগী ১ ফাওবদা পাঙথোকখিবনি। ভোট মশিং থীবগী ফল ইলেক্সন কম্মীসনগী ৱেব সাইট---রিজল্টস দোট ই.সি.আই দোট জি.ও.ভি. দোট আই.এন দগী নত্রগা ভোতর হেল্প লাইন এপপতগী ফংগনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক--**

**হৌজিক ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমচান্দ লৈরে--**

**-প্রেমচান্দ-**

## ----অরোইবদা মরুওইবা পাউ অমুক--

১)  ১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুং অয়ুক পুং ৮ দগী থীরগনি।

২)ইম্ফাল ৱেষ্ট , ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং থৌবাল য়াওনা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা ভোট মশিং থীগদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা গাড়িশিংগী চৎথোক চৎশিনগা মরী লৈননা অহোংবা লৈরে।

**অমসুং**

৩)  লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখল থেংনখিবা মীরেপশিংগী মরাইবক ঙসি লেপ্লগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

**থাগৎচরি-দ্বিজমনি**

১৮ শুবা লোক সভা মীখলগী ভোট মশিং থীনবা শেম শাবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচে অয়াম্বগী মরুওইবা পাউনা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরক্লি।

**হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন অসি**- লোক সভাদা লান নংলিবা মনিপুরগী মীহুৎ অনি কনা কনানা ওইগদগে হায়বদু ঙসি খঙলগনি হায়বা বেন্নর হেদলাইন অসিনি।

কনানা মায়পাক্কনি হায়বা ঙসি খঙল্লগনি, অয়ুক পুং ৮ দগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাতর ১১ দা মীশিং থীগনি হায়বা হেদলাইন অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসনগী অহানবা হেদলাইননি।

ভোট মশিং থীবগা মরী লৈনবা পাউশিং অসি পাউজে অয়াম্বগী অহানবা লমায়দা তোঙান তোঙানা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি। মনিপুরগী সিট অনিমক কংগ্রেসনা ফংগনি, মোদি পি.এম ওইররোই , একজিট পোল থাজনিংঙাই ওইদে , মীয়ামদা উৎ চাইবনি হায়বা কংগ্রেস দলগী ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রে ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইনা ওইনা ফোংলি। পিপলস ক্রোনিকেলদসু তোঙান হেদলাইন পিদুনা ফোংবা থেংনরে৷

পোকফম পাউচেগী অখন্নবা পাউ ওইনা মনিপুর প্লাস্তিক পোলিসি মমিংতগী পোলিসিরা হায়না ৱাহং হংবা হেদলাইন অমা য়াওরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সব হেদলাইন ওইনা ঈচাউদা থোকল্লক্লিবা প্লাস্তিক বোতলশিং অসি অথিংবা লৈবগী খুদমদি নত্তে হায়না ফোংবা থেংনরে।

মনিপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংদা সেন্ত্রেল ফোর্সেসশিং লেখিগনি হায়না ই.সি.আইন,ফোংদোকখিবা ৱাফম ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা হেলাইন ওইনা ফোংবা থেংনরে।

নাগা নালাদা তাশিনখিবা মীওই ফংবা ঙমদ্রি , নোংলৈ নুংশিৎ রেমালগী মতুং শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং খুৎশমগদবনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবাৱাফম ঈচেল এক্সপ্রেসতা হেদলাইন পীবা থেংনরে।

দুকান্দারশিংনা পোৎকী মমল হেননা য়োন্দনবা মহৈরোই লুপ ৬ না খঙহনখ্রে, হায়রিবা হেদলাইন অসি নহারোলগী থৌদাংগী ইদিতোরেল কলমদা ফোংলি।

সি.এম দিল্লি পাংখ্রে, এন.দি.এগী অহুম শুবা তার্মদা মনিপুরগী শান্তিগী রোল রোদ মেপ অমা লাউথোরকপা য়ারি হায়বা হেদলাইন অসি মনিপুর নিউজতা ফোংবা থেংনরে ।

তমেংলোং জিলাদসু মীখলগী ভোট থীনবা শেম শাবা লোইরে হায়বা হেদলাইন অসি দ গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সেনাপতি জিলাগী ওইনসু ভোট মশিং থীবগী শেম শাবা লোইরে হায়বা হেদলাইন হিল হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা ফোংবা থেংনরে।

--**দ্বিজমনি**--